# সনালৈবাক স্পোর্টস

THURSDAY, JANUARY 09, 2014, PAGE 7




*অস্ট্রেলিয়ান ওপন লৌগনি হায়না আশা তৌরিবী অমেরিয়াগী সেরেনা ৱিল্লিয়ম*

*মঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মায় পাক্লবা কন্না শান্নখিবা টিম অসিগী শান্নরোই দ্রাভিদ মোয়েস*



## মমাংগী চহিদা নিংবা কায়খিবা চাইনাগী লি হন্দক্কী অষ্ট্রেলিয়ান ওপন্দদি আশা থল্লি



*মেলবোর্ন, জনুৱারী ০৮ঃ* মমাংচী অষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা নিংবা কায়দুনা কপখিবা চাইনাগী শান্নরোই লি না অসি হন্দক্কী চহি অসিদদি ওপ অসিদা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী আশা থল্লি।

হন্দক্কী সিজন অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লামগী টুর্নামেন্ট অসি চাইনাগী শান্নরোই লি নাগী ওইনদি নুংঙাইবা অৱা নুংঙাইনা থল্লি। মহাক্লা মমাংগী চহি ২০১২ অমদি ২০১৩ দা অনিরক হন্না টুর্নামেন্ট অসিদা ফাইনেল চঙলগসু ওপ অসিগী চেম্পিয়নগী ট্রোফি লৌদনা হনখিবনি।

লি না না কার্লোস রোদ্রিগুইজগী মখাদা নিংথিনা ট্রেনিং তৌদুনা হান্নদগী হেন্না ফগৎলে। মহাক মথংগী থা ৩২ রোম অসি ফাওবদা য়াম্না নিংথিনা শান্নবা ঙমখিগনি। লোয়ননা ট্রোফি কয়া লৌখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। লিনা হৌজিক লৈরিবা অসি ৱার্ল্ডগী ৪ শুবা রেঙ্কিংদনি। মমাংগী সিজন লোইখিবদা মহাক্লা সেরেনা ৱিল্লিয়মসগী মখুৎতা ৱার্ল্ড টি এ চেম্পিয়নশিপ অমদা রনর্স অপ তাদুনা লোইশিনখি। হন্দক্কী চহি অসি হৌগৎলকপদা লিগী খুদোংচাবা অমদি ফংলগনি।

মেলবোর্নদা মমাংগী হপ্তাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড টি এ চেম্পিয়নশিপ অমদা লি না না ভিক্টোরিয়া অজারেনকাদা শান্নবা মেটচ অমদা মহাক্কী ওইথংবা খোঙগী খোঙজেংদা শোকপনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু শান্নখিদে। অশোকপদু মফম অদুগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখি। লি না অহানবা ওইনা এসিয়াদগী গ্রান্দস্লামগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলিষ্ট ওইখি। মহাক্লা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবসি ইং ২০১১ দগীনি। মতম অদুদসু মহাকপু কিম কিলজষ্টরগী মখুৎতা মায়থিবা নংখি। অদুম ওইনমক ইং ২০১২ দা পাঙথোকপা ফ্রেন্স ওপনদা মায় পাকপগা লোয়ননা এসিয়াগী অহানবা গ্রান্দস্লাম লৌবা ঙন্বী শান্নরোই অমা ওইখিবনি।

ইং ২০১২ দা পাঙথোকপা অষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী মরিশুবা রাউন্দদা মহাক্লা কিমবু মায়থিবা পীবগা লোয়ননা পাউমীশিংগা উন্নবদা মমিৎতা পীরাং শিঙ্গরদুনা মহাক্লা মায় পাক্লকপা অমদি অষ্টেলিয়ান ওপনগা মরী লৈনবা থৌদোক কয়াগী পাউদমখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্কী টেনিস মশান্নদা মহাক অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি। থৌদোক অদুগী মতুংদগী মহাক্লা মহাক্কী মপুরোইবা জিং সান দা হায়দুনা মহাক্কী কোচ ওইনা অর্জেন্টিনাগী রোদ্রিগুইজপু থম্লবা ৱাফম খন্নখি।

কোচ অসিগী মখাদা মহাক্লা ট্রেইন তৌরবা মতুংদা অহানবা ওইনা সেনঝেন ওপন মায় পাকখি। ওপন অদুদা মহাক্লা পেং সুইবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীখি। লি হৌজিক মপুং ফানা টেনিসকী লমদা হান্নগী চাংদগী হেন্না ফগৎলে। হৌজিক মহাক শান্নরোই খুদিংমক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নবা ঙম্লগনি। হন্দক্কী অষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিদা মহাক্লা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা অসি সেরেনা ৱিল্লিয়ম ওইগনি হায়না শান্নরোই অসিনা ফোঙদোক্লি।

লিনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টানবুলদা পাঙথোকখিবা দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্ট অমদা মহাক্লা সেরেনাবু ২–৬, ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীখি হায়না পনখি।

## সেনা কপ ফুটবোলদা আইৱাইএ ১দি ৱাইপিও মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারী ০৮ঃ* সেনা এঠলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চংখরিবা ১৫ শুবা সেনা কপ সব জুনিয়ার বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটশিংদা আই ৱাই এ ককচিং অমদি ৱাই পি ও সোরা মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচতা আই ৱাই এ ককচিংনা এ ভি ও ককচিংবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি। আই ৱাই এ গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু প্রিয়োকুমার রোহিট মনিংতোম্বা অমদি ওলেননা মথংশিংনা ৫, ১৯, ৫৮ অমসুং ৬৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এ ভি ও গী গোল অনি অদুনা কামে পোচা অমদি মণ্ডলেম্বনা ৪২ অমসুং ৬২ শুবা নুনিৎতা চনখিবনি। মেটচ অদুগী ৩২, ৩৫ অমদি ৩৯ শুবা মিনিটতা আই ৱাই এ গী কেপ্সন, হেনবা অমসুং পৃথিবাদা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখিবগা লোয়ননা এ ভি ও গী অশাজিৎতসু ৩৭ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা ৱাই পি ও সোরানা কে এফ সি ককচিংবু গোল ৬–০ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই পি ও গী গোলশিং অদু অলিখাননা ৬, ৭ অমদি ৩৪ শুবা মিনিটতা ৩, নুর অহমদ, নুর হথি অমদি লমননা মথংশিংনা ১৫, ১৬ অমসুং ২২ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

## য়াইস্কুল কাংখুৎ (সি) না চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারী ০৮ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন জিরিবামনা স্পোন্সর তৌবা য়াইস্কুল কাংখুৎ ইম্ফালনা শিনবা ৯ শুবা প্লেয়ার লিগ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচদা য়াইস্কুল কাংখুৎ (সি)না মায় পাক্কুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শন্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু য়াইস্কুল কাংখুৎ (সি) অমদি য়াইস্কুল কাংখুৎ (এ) অনিগী মরক্তা শান্নখিবনি। মেট অদুদা য়াইস্কুল কাংকুৎ সিনা পাঞ্জল ২৮–২১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কাংখুৎ (সি)গী শান্নগরোই ও জুগিন্দ্রোনা লমথা ১৪ পান্দুনা বেষ্ট লমথাগী মনা ফংখি। অদুগা টিম অসিমক্কী শান্নরোই ৱাই ইনাওচানা চেকফে ২১ পান্দুনা বেষ্ট চেকফেগী মনাসু ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চংখরকখিবনি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী উপ অধক্ষ ওইরিবা টি ঐচ ইবোমচা সিংহ, ওল্ড জিরিবাম স্পোর্ট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত সিংহ, য়াইস্কুল কাংখুৎ ইম্ফালগী ওল ব্রজমনি শর্ম্মনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা টিম অনিদা মনা য়েন্থোকখি। য়াইস্কুল কাংখুৎ (সি) না ৱিন্নরগী কেস প্রাইজ লুপা লিশিং ১০ অদুগা য়াইস্কুল কাংখুৎ (এ) না রনরগী কেস প্রাইজ লুপা লিশিং ৭ ফংখি।

## দেবলা ক্রিকেট

*ইম্ফাল, জনুৱারী ০৮ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা ঙরাংদগী হৌদুনা চংখরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এন ৱাই এস এ শঙ্গাইয়ুম্ফমনা আর য়ু সি খাঙবোকপু রন ৮৬ তা অমদি অনিশুবা মেটচদা এল সি এ খাঙবোক্লা হ্যুরিকেন্স চানাবু রন ৫৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

## বোপানাগী পেয়ার সেমিফাইনেল চঙখ্রে, লিয়ান্দরগী পেয়ার আউট ওইখ্রে

*সিদনি, জনুৱারী ০৮ঃ* সিদনি ইন্টরনেসনেলদা রোহন বোপানা অমদি মহাক্কী পেয়ার অসম উল্লহক ক্যুরেসি সিমিফাইনেল চঙখ্রে। লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই লিয়ান্দর পেজ অমসুং মহাক্কী চেক্কী পেয়ার রাদেক ষ্টেপানেক অহানবা রাউন্দদা মায়থিখ্রে।



বোপানা অমসুং মহাক্কী পাকিস্টানগী পেয়ার অসি হৌজিক দবলসকী অহুমশুবা সিটতা লৈরিবনি। মখোয়না ক্বাটর ফাইনেলদা ফিলিপেনগী ত্রাট হুই অমদি ব্রিতোন দোমিনিক ইংলোটপু ৬–৭ (৩), ৭–৬ (৫), ১০–৩ দা মায়থিবা পীরমখি। মখোয়না হৌজিক সেমি ফাইনেলদা লাম্বা তৌদুনা শান্নগদৌরিবা শান্নরোই অসি লুকাস রোসোল অমদি মহাক্কী পেয়ার জোআও সৌসানি। শান্নরোই অনি অসিনা মখোয়গী ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা অমেরিকাগী পেয়ার মাইক অমদি বোব ব্রেইনবু ৩–৬, ৬–৩, ১৪–১২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অমা ওইনা সিদনি ইন্টরনেসনেল অসিগী দবলসতা শরুক য়াখিবা লিয়ান্দর পেজ অমদি মহাক্কী চেক্কী পেয়ার রাদেক অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌদুনা মেটচ অসিগী মপান থোকখি।

মখোয়গী পেয়ারবু ফ্রেন্সকী জুরা জুলেন অমদি ভেসেলিনগী রোজরনা ৪–৬, ৪–৬ তা মায়থিবাপীরমখিবনি।

অহানবা সেটতা পেজ অমসুং মহাক্কী পেয়ারনা মখোয়গী ওপোনেন্টনা সার্ভিস ব্রেক তৌরক্কদবা অদু কনবা ঙমহৌখি। মখোয়না অনিশুবা সেটতা ফ্রেন্সকী জুরাগী সার্ভিসপু ব্রেক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। অদুবু ফ্রেন্সকী জুরা অদুনা নিংথিনা সেভ তৌদুনা মখোয়গী সার্ভিস ব্রেক তৌহনখিদে। পিজ অমদি মহাক্কী জুরানা ২–১ দা লিদ তৌরবা মতুংদা নোং চুরকপনা মরম ওইদুনা মিনিট ৪৫ রোম শান্নবা লেপখি।

## ইন্দিয়া টিম হেরো হোকি লিগতা নিংথিনা শান্নগনি



*নিউ দিল্লি, জনুৱারী ০৮ঃ* ইন্দিয়া টিমগী লুচিংবা ওইরিবা সরদার সিংহনা ফোঙদোকখিবদা হেরো হোকি ৱার্ল্ড লিগ অসি লোইশিনবদা ইন্দিয়ানা মরিশুবা নত্রগা ৫ শুবা পোজিন ফাওবদা লৈবা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্লা লুচিংলিবা টিম অসিদা নহা ওইবা ফাইটিং স্পিরিট লৈবা শান্নরোই কয়া অমা য়াওরি। মখোয়না মখোয়গী অঙন্বী থাক্তা টিম অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা শান্নরক্কনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। টিম অসিনা ট্রোফি ফংবা ঙমদ্রগসু য়াম্না হন্থবা থাক্তা লৈরোই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

লিগ অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিং অসিনসু মখোয় মখোয়গী লৈবাক অসি অৱাংবা থাক্তা লৈনবগী অশা তৌদুনা শান্নরক্কনি। লিগ অসিগী মতুংদা ফেদরেসন ইন্টরনেসনেল হোকিনা মে থাদা হগুদা হোকি ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরি।

থা অসিগী ১০দগী মেজর ধ্যানচান্দ নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি লিগ অসিদা ইন্দিয়া নত্তবা অতোপ্পা হোকিগী টোপ সভেননা টাইটল অসিগী আশা তৌনরি। চহি অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা ইন্দিয়ানা য়াওগনি অমসুং মসিদা অফবা পার্ফোমেন্স কয়া অমা উৎপা ঙম্লগনি।

ইন্দিয়ানা লিগ অসিদা মখোয়গী অহানবা মেটচ ওইনা ইংলেন্দগা থেংনগদৌরি। টিম অনি অসি মমাংদা অরোইবা ওইনা থেংনখিবসি সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান কপ্তনি। মসিগী মখাদা তাবা মেটচ ওইনা হন্দক চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মন ৱেলঠ গেম, এসিয়ান গেম অমদি হোকি ৱার্ল্ড কপ্তা টিম অসিনা লম্বা তৌদুনা থেংনরবা য়াই।

নাকল অমরোদা নেদরলেন্দগী কোচ পাউলনা পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসি য়াম্না কনবা অমা ওইগনি। টিম অসি সেমি ফাইনেল ফাওবা চঙলক্কনি হায়বনা মহাক্কী মত পীখি। জর্মনগী কোচ মার্করসনসু ইন্দিয়াগী টিম অসি য়াম্না কনবা টি অমা ওইগনি, টিম অসিদা ৱার্ল্ড ক্লাসকী শান্নরোই কয়া য়াওরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

## আইওএগী ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোকখ্রে

*নিউ দিল্লি, জনুৱারী ০৮ঃ* ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থোকখিবা নোটিশ অমনা ফেব্রুৱারি তাং ৯ দা এসোসিয়েসন অসিগী অনৌবা মেম্বর অমদি থৌ পুগদবা মীওইশিং খন্নবগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না নোটিফিকেসন থোকখ্রে।

মমাংগী থাদা পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মীটিং অদুদা ফেব্রুৱারি ৯ দা মীখল পাঙথোক্লবগী নোটিশ থোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না মীটিং অদুদা চেয়ার লৌখিবা এস রেগুনাথনন্না ফোঙদোকখি।

মীটিং অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা নেস্নেল স্পোর্টস ফেদরেসন অমদি ষ্টেট ওলেম্পিক বোদিশিংদা মীখল অসিগা মরী লৈনবা চে চাং য়ৌহনখিনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক্কী এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈবা শান্নবগী বোদিশিংনা আই ও এ গী ফম খুদিংমক্তা এপ্লাই তৌদুনা কেন্দিদেট ওইনবা নোমিনেসন পেপর পীশিনবা য়াগনি। মসিগী মনুংদা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি জেনরেল, ট্রেজরর য়াওনা এসোসিয়েসন অসিগী মখাদা লৈবা শান্নবগী এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংনা এপ্লাই তৌরকপা য়াই।

কেন্দিদেট ওইগদবশিং অদুনা ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ১৫ নিগী মমাংদা মখোয়না পাল্লিবা পোষ্টশিং অদুগীদমক নোমিনেসন পেপর পীশিল্লক্কদবনি। অদুগা ইলেক্সন অদুদা শরুক য়াররোই হায়বগী চেরোল লৌথোকপগী নুমিৎনা ভোট থাদগদবা নুমিৎ অদুদগী নুমিৎ৭ নি ৱাংলিঙৈদা লৌথোক্কদবনি হায়না আই ও এগী ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি। ইলেক্সন অসি ইন্টরনেস্নেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী মীহুৎ অমনা য়েংশিনগনি।

ইলেক্সন অসি পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নিনিগী মমাংদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা সোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়ানবা মীওই ৪ লমথাখিগনি। মরম অসিনা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না ইলেক্সনগী মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক মাংজৌননা লোইশিনগনি অদুগা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়ারিবা এঠলেটশিং অদু ইন্টরনেস্নেল ওলেম্পিক কাউন্সিলগী মখাদা লৈগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## এসিয়ান কপতা পাকিষ্টান য়াওগনি

*করাচি, জনুৱারী ০৮ঃ* বংলাদেশনা য়ুম্থু ওইদুনা চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৫ গী ওইবা এসিয়ান কপ ক্রিকেট টুর্মেন্টতা পাকিস্টান শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অহানবদা এসিয়ান কপকী সেক্যুরিটি মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরিবা মসিদসু পাকিস্টান শরুক য়াগদৌরি। পাকিস্টানগী ক্রিকেট বোর্দনা লৈবাক অসি হায়রিবা এসিয়ান কপ অসিদা শরুক য়াবগী মতাংদা কুপ্পা খন্নদুনা মখোয়গী মীহুৎ অমা থাদুনা বংলাদেশতা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংগী মরমদা য়েংশিনহনগদৌরি।

বংলাদেশতা ২০১৩ গী ওক্টোবর থাদা মীখলগা মরী লৈননা থোকখিবা ইরাংদা মীওই ১৫০ শিখি। মসিগী মখা তাবা ঈরাং লৈরিব্রা হায়বা অদুসু চৎকদৌরিবা পাকিস্টানগী মীহুৎ অসিনা কুপ্পা য়েংশিল্লক্কনি। এসিয়ান ক্রিকেট কাউন্সিলনা ফেব্রুৱারি ২৫ দগী মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৫ না শরুক য়াগদবা ক্রিকেটকী ওইবা এসিয়া কপ অসি পাঙথোকপদা খুদোংচাগদ্রা চারোইদ্রা হায়বদুসু য়েংশিনগনি। ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা বংলাদেশতা মার্চ অমসুং এপ্রিল থাদা ৱার্ল্ড ত্বেন্টি ত্বেন্টিগী সেদ্যুল্ড থল্লি। অদুম ওইনমক বংলাদেশতা করম্বা সিচুয়েসন্দা লৈরিবগে হায়বা অদু কুপ্পা খঙদোকপা চুমগনি। মসিগীদমক পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ অমদি আই সি সিগী মীহুৎশিংনা থা অসিগী ২০ দা সেক্যুরিটি মীটিং অমা পাভথোক্কনি হায়রি।

## কটারদা ৱার্ল্ড কপ ২০২২ পাঙথোক্লগনি

*পেরিস, জনুৱারী ০৮ঃ* ফিফাগী জেনরেল সেক্রেটরি জেরোমি ভালেকনা ইং ২০২২ গী ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল কটারদা পাঙথোক্কনি হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

জুন জুলাইদা পাঙথোক্লবগী সেদ্যুল্ড তৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি হায়রিবা থাশিংঅ সিদা কাটরদা য়াম্না শাবনা মরম ওইবনা প্লেয়ারশিং অমদি মসিবু য়েংগদবা ফেনশিংদা অৱাবা কয়া য়াক্লগদবনা টুর্নামেন্টকী মতম অসি নভেম্বর ১৫ দগী জনুৱারি ১৫ ফাওবদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR | MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph)14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726